ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯥꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জান্যুৱারী ০৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৭৯শুবা মশীং

# হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন

## *মীয়ামগী ৱাকৎ মণিপুর লৈঙাক্না তাবীগনি খল্লি*

ইন্দিয়ন আর্মি, ষ্টেট ফোর্স, লালহৌলূপশিং অমদি লন্নাই মীওইনচিংবনা মীওই অমগী ফংফম থোকপশিং শোকপা থবক তৌরকপদা মীওই অদুগী রাইট কঞ্জনবগীদমক করি তৌফম থোকপগে হায়না নৈনরকপদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী য়াথং মতুংইন্না ষ্টেট খূদিংমক্তা হ্যুমেন রাইটস কমিসন লিংখৎনরকখি। ষ্টেট এসেমব্লিগী ওইবা ৱারেপ লৌরবা তুংদা ষ্টেটকী ওইজবা লো শেল্লগা কমিসন অসি লিংখৎখিবনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা কমিসন অমা মথৌ তৌহন্দনা থম্বা হায়বসি লৈবাক অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মায়োক্তনি হায়না লৌবদা লানবা লৈরোই। ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্কী মনুংদা মনিপুরসু মীওইবগী হক মাঙহনবগী ৱাকৎ লৈবা ষ্টেট অমা ওইনা মমিং য়াওরি। খূৎলায় পায়বা মশেলগী মরক্তা মুক্নবা থোরকপা, লালহৌবগী ঈরাং লৈবা লৈবাক অমা ওইরুবা অমসুং ঈরাং অসিবু নমথনবগীদমক অফস্পা থমজিনবগা লোয়ননা লান্মী থাজিল্লকপদগী মীচম মীয়ামগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরকখি। লালহৌবা নমথবগী মিংদা মীচম কয়ামরুম ময়ূমদগী ফাখ্রগা ঙসি ফাওবা থিবা খঙখিদবগী কেস ময়াম অমা লৈ। মরম চাদনা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীচম মীয়াম্বু তাথি-তাওইনা তৌবীবগী থৌদোক কয়া অমসু থোকখি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়াগী মরক্তা মনিপুরগী মীয়াম্নসু মনিপুরগী ওইবা হ্যুমেন রাইটস কমিসন অমা লিংননবা দিমান্দ তৌনরকখি। শাংলবা চহী কয়া দিমান্দ অসি ফংবা ঙমদনা লাকখ্রবা তুংদা কুমজা ১৯৯৮ দা চহী মঙা-মঙাগী ওইবা চ্যেরমেন অমসুং মেম্বর অনী হাপ্তুনা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসন থবক হৌহনখি। কমিসন অসি লিংখৎখ্রবা মতুংদা মসিগী কান্নবা কয়ামরুম মীয়াম্না ফংবা ঙমখি। মীয়াম মরক্তা হৌজিক হৌজিক হিংলিবা মীওই কয়া কমিসন অসিগী মপালনা অনৌবা মপোক অমা পীরম্বনি হায়না লৌবদা থোয়না লানগনি নিংদে।

মীয়ামদা মপাল নাইদনা কান্নবা পীরিবা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসন মতম শাংনা মথৌ তৌরুরবা তুং ইং ২০১০ গী মে ৯ দগীদি মথৌ তৌখিদ্রে। মথৌ তৌখিদবগী মরুওইবা মরম করিনো হায়বা ঙসি ফাওবা খঙদ্রবসু মতম অদুদা কমিসনগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বা রিটয়ার্দ চীফ জষ্টিশ দল্লিয়ু এ শিশক, মেম্বর এস গৌরচান্দ, মেম্বর রিটয়ার্দ কর্নেল রাজকুমার রাজেন্দ্র অমসুং এনজি নোংয়াইগী থবক পুবগী মতম লোইখিবদগী অনৌবা কমিসন অসিগী মথৌ তৌগদবা চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বর অমা ফাওবা লৈঙাক্না হাপখিদ্রে। হৌজিক্তী কমিসন অসি মথৌ তৌরক্তবা চহী ৭ মপুং ফাখ্রে। করম্বা মতমদা কমিসন অসি হিঙ্গৎহনগদৌরিবনো হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। শেল তিংদনা মীওইবগী হক মাঙহনবগী চৈথেং নংলবশিংনা লোগী মতেং লৌবা য়ারম্বদু লৈঙাক্না কমিসন অসি মথৌ তৌহনখিদবনা মরম ওইরদুনা মীয়ামদা হায়নীংঙাই লৈতনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফারগা মাঙহনখিবা, এরেষ্ট মেমো পীরমদনা ফাখিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবা, মরম লৈতনা মীচম নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপা, নুপী ফল্লানবনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী ৱাকৎ কয়ামরুম হৌজিক্তী ৱাকৎফম লৈতবদগী তোক্লে। কমিসন অসি লৈরিঙৈদা ৱাকৎ কয়া লাক্লম্লগা হৌজিক্না অসিগুম্বা মখলগী ঈ-পাউ অমত্তা তাখিদবসিনা মীয়ামগী ৱাকৎ অমা ফাওবা লৈত্রে হায়না লৌবদি য়ারোই। মনিপুর পুলিস নৎত্রগা লান্মীনা লালহৌবা থেংনবগী মিংদা চথুখিবা তোঙান তোঙানবা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং খোঙ্গাওনবগী কেস কমিসন অসিনা লৌখৎলকপদগী মতম চুপ্পদা লান্মী নৎত্রগা পুলিসকী মীচং চঙদুনা লাকপা লৈঙাক্না কমিসন অসি থম্বনা কোক শাবা হেল্লি হায়না খনখিবা তানফম য়াওবদৌনা তৌরক্লে। অমরোমদা কমিসন অসিগী চ্যেরমেনগী ফম অসি থবক্তগী পোত্থারবা হায় কোর্টতগী তাদবা কোর্ট অমগী চীফ জষ্টিস অমনা পুগদবনি হায়বসিনা লৈবাক অসিদা চীফ জষ্টিস ফংদবগী মিংদা কমিসন অসিগী চ্যেরপার্সন হাপ্তবনি হায়রম্বদু হৌজিক্তি থবক্তগী পোত্থারবা চীফ জষ্টিস থিবা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। তৌবদতি থবক তৌগদৌরিবা চীফ জষ্টিস অমসুং মেম্বরশিংদা থাগী ওইনা পীফম থোকপা ওনরেরিয়ম নৎত্রগা তোলোপ কয়ানো হায়বদু মাঙজৌননা লেপথোক্ত্রগদি থবক্তা ৱারগা শেল য়াওদে হায়দুনা কনাসু থবক তৌবীয়ু হায়বা য়ারক্কনি নীংদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, মীওইবগী ফংফম থোকপশিং কন্নবা খ্বাইদগী মাঙজিন থানা থবক তৌরকপা মীশক অমনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈঙাক্লবা থা ৯ লোম ফারবা ফাওবদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসন মথৌ তৌহন্দনা থম্বা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওৎ-মীনৈ হন্থরগসু অতৈ হীরম কয়াদা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং মাঙহনবগী ৱাথোক্তি হৌজিকসু হন্থে হায়না লৌবা য়াদ্রি। মরম অদুনা লৈঙাক্না চনিং তানা খন্থরগা কন্সটিট্যুসনগী মশা অমা ওইরবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসন অথুবা মতমদা মথৌ তৌবা হৌহন্নিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### য়াইফ পাউজেল পীজরি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ঐহাক** অদোমগী পাউচে অসি লৌদুনা লাকপা, পাদুনা লাকপা মীওই অমনি। লেপ্পা লৈতনা ঙসিসু লৌজরি, পাজরি। নোংমতা লাক্তবদা ইশাসিদা অৱাৎপা অমা লৈবগুম লাংতক্লে। প্রেস ছুটিগী, বন্দ ব্লোকেদকী, অতৈ অতৈ কয়াগী মরম অমনা অমনা পাবা ফংহন্দবা ‘খোয়রাং খোয়শাওনবগী লায়না’ অমনা নারক্কদ্রা চিংনজৈ। পাউচে লৌদুনা পারগা অসিগুম্বা লায়না পল্লক্লবদি/নারক্লবদি খল্লুবদা লৌররোইসিরাফাও খল্লুই। অদুবু নীংশা চনীং চমাঙ শম্নমা লৈতানা হোন্দুনা ৱাখল লম্ফাং খন্দনা খন্থজরগা ঙাইজবগী কান্নবদু ফংহন্নবগীদমক শিদবা মপূ ইবুংঙো মঙোন্দা অৱা পোৎলুম পূম্নমক থাঙ্গৎচরে হায়রগা নোংম নোংমদুগী শিন্থা শুদুনা ঙাইজৈ। অদোমগী পাউচেদা ফোঙবীনবগীদমক ৱারেং-শৈরেং, ৱারীমচা মরক মরক্তা থাজৈ। মতম মতমগী ওইবা ৱাফম কয়াসু থাজৈ। হাপ্পীরকপসু য়াওই, হাপ্পীরক্তবসু য়াওই। হাপ্পীরকপদু পারগা ইশাদা নুংঙাইজবদুগীদমক সারবু অমসুং হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসনবু থাগৎচরি অমসুং তৌবিমল কাউজরোই। ঐহাক লাইবক থিরবা হিয়ারিং ইম্পায়ার (ঐচ আই) নি, চহীসু ৬১ চঙলে। অদোম অমসুং অদোমগী ষ্টাফ পূম্নমক য়াইফবা ওইবিয়ু হায়না অইবনা অনৌবা চহীনা লাকপসিদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

*অদোমগী -খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৩

১। সনা কোনুংদা ‘তানয়েবা লোয়শঙ’ হায়বা অমা লৈরম্মী। মদু কুমজা ১৫৪দগী ২৬৪ ফাওবা পাল্লম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা লিংখৎলম্বনি। মদুগা মরী লৈননা মখাগী ৱাহং অনীসিগী পাউখুম পীয়ু।
(ক) হায়রিবা নিংথৌদু কনানো? (খ) পুং য়ৈনবা চৈ অদুগী মমিং করি কৌই?

২ । “ঙসি নোংজুগী অমম্বা অহীংসিদা/লাকচরি ইবুংঙো নঙগী মায়কৈদা/নঙগী লাইশঙদি চেৎনা লোল্লম্লে।” পরেংশিংসি ‘সন্ধ্যাগী ঈশৈ’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩ । “ঐ...ঐ/য়ূমসিগী য়ূম্বুনি/লংফৈ হল্লকপনি।” ৱাহৈশিংসি কনানা হায়বনো? কবি নহাদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “য়ূম পাল্লে হায়বতং থোক্কে তৌবনি/...ঐ লৈদি লৈরোই।” ৱাহৈশিংসিনা এম কে বিনোদিনীগী ‘বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী’ দগী লৌথোকপনি। কনানা হায়বনো?

৫। নিংঙোম্বম ইবোবীগী ‘কর্ণগী মমা অমসুং অরোইবা য়াহিপ’ পু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মীপূম খুদিংমক্কী য়ূম! মঙফাওনদ্রবা মঙ অমা

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**‘রোটি, কপরা ঔর মকান’** হায়বা মনোজ কুমারগী হিন্দি ফিল্ম অদু রিলিজ তৌরকপা মতমদা ঐহাক, ইহৈ-ইশিন তম্বই ৱাখলদগী নুংশি-নুংওনগী ৱাখলনা হেন্না মরুওইনা খনগৎলকপা ষ্টেজ অদুদা লৈরম্মী। ৱাহৈ ৱাপা অসিগী ইম্পোর্টেন্স অমদি সিগ্নিফিকেন্স থোইনা লুনা খল্লুদে, থবক ফংদবা পাখঙ অমগী নুংশি-ৱারী ওইনা উরকখি। চাননবা চিঞ্চাক (ফুদ), শেৎননবা ফি (ক্লোথস) অমদি লৈননবা য়ূম (সেল্টর) হায়বা, মালেমদা লৈরিবা মীওইবা পূম্নমক্না হিংবদা চঙবা তঙায়ফদনা চঙবা পোৎলম অহুমদুগী মরমদা নৈনবা ফিল্মনি হায়বা কাইনথংদা খঙলকখি। মীওইবগী পূক্লিং-ৱাখল নৈনবা কাঙবু (সাইকোলোজিষ্টশিং) না হায়দনা ... ‘মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং অসিনা নুংঙাইনা হিংবদা চঙগদবা পোৎলমশিং অসি পুথোক্লক্লবগী য়ূম্ফমনি’ ...। তল/চাক/চিঞ্চাক হায়বসিনা মীওইবখক নত্তনা, মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা, অহিংবা জীব পূম্নমকপু হিংহল্লিবা, খ্বাইদই মরুওইবা হিংবই মচল অদুনি। অদুগা, ফিজোল অমদি য়ূম- অনীসিনা, মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা অসিবু ‘ইকায়খুম্না হিংব’দা মতেং পাঙবতা নত্তনা মহৌশানা পীরকপা তমথীবা চৈথেং কয়াদগী ঙাকথোকপদা তেংবাঙই।

চাবা, শেৎপা, লৈবা - অহুম অসিনা মীওইবগী পুন্সিগী মরুওইবা শক্লোন ওইরকপা - ঙসি ঙরাংতগী নত্তে, নূংগী চক্কী মতম অদুদগীনি। শা-ঙা-উহৈ-ৱাহৈ থোংবা-থাকপা হৈত্রিঙৈ, অহিংবা ওইনা চারিঙৈ, উনা-ৱানা-শউন’না মশাদুবু কূপ্লম্মী, লৈকুৎ-লৈরায়-শুরুংনচিংবদা লৈরম্মী। তপ্না তপ্না ৱাখল খনবা হৈরকঙৈ, চাওখৎপই মঙাল ফংলকঙৈ লৌউ-শিংউ হৈরকই, ফিশা-লোনশা তম্লকই, য়ূমশা-কৈশা খঙলকই। চাবা-থকপা, শেৎপা-ইনবা হায়বসি ঙসিগী চাওখৎলবা মীওইনদি হেক্তা ফংলবদৌনা, বেসিক এমেনিটি অমগুম খন্নদবা হৌরক্লে। অদুবু লৈনবা য়ূম (হাউসিং) অদুদি ঙসি, খম থেংনা চাওখৎলবা মতম অসিদসু খ্বাইদই হেন্না মরুওইবা হিংনবগী মচল, বেসিক এমিনিটি অমা ওইরি।

‘য়ূম’ হায়বসি খুন্নাই হায়বসিগী খ্বাইদগী পীকপা য়ুনিট অমা ওইরিবা ইমুং (ফেমিলি) হায়বদুগী লীংখৎফম ওইরিবা মফম অদুনি। মসিদি, মমাঙঙৈগী মীওইবগী চঙজফম ওইবা, ঈশিং-নুংশিৎ-অইং-অশাদগী ঙাকথোক্লফম ওইবা মফম অদু নত্তে। খুন্নাই অমগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিট (ইমুং) শিংগী শমজিন্নফম ওইবা মফমদুসুনি। ইচম চম্বা অইং অশাদগী ঙাকথোক্লফম, চঙজফম ওইনা লৌনরম্বদগী ইমুং অমগী কন্সেপ্ট শাগৎখিবা করম্বা মতমদগীনো, করম্না ওইখিবনো-কনানসু হায়ঙমদে।

চাওখৎপগী লমজেলসিদা ইন্দিয়ানা খোঙজেল য়াঙশিল্লক্লবসু, থিংবা ঙমদনা হেনগৎলক্লিবা মীয়াম অসি ঙম্নমক নৈনবা মতিক চাবা য়ূম শান্নবা থৌশিল অমা য়াৎপদি ঙসি ফাওবা মায় পাকত্রি। লৈননবা য়ূম লৈতবা ইমুং, ইন্দিয়াসিদা মশীং খঙদনা লৈ। খুঙ্গং-খুনয়াখক্তদা নত্তে, য়ূম লৈতবা ইমুং, ইন্দিয়াগী সহরশিংদসু মরাং কায়না লৈ। থিজিন হুমজিন কনবা এক্সপার্টশিংনা হায়- ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি য়ূম কৌবা য়াবা, ইমুং অমগী চঙজফম ওইবা য়াবা মফম লৈতে। মসিগী মরুওইবা মরমনি- লায়রবা। লায়রবা হায়বা হিংবগী থাক মখল অদু শক্তাকফম খঙদদুনা অনৌবা ৱাহৈ অমা শেল্লকই - লায়রবগী পনখৈ (ৱাখলগী লৈই) অমগী মখাদা লৈবা মী অমসুং মথক্তা লৈবা মী। নোংমগী চরা নামখক চাবা মীওই অদু নত্তে লায়রবা। নোংমদা লুপা ২৭ তানবা ঙমদ্রবা খুঙ্গংগী মী অমদি লুপা ৩২ তানবা ঙমদ্রবা সহরগী মী অদুবু কৌই - লায়রবা মশক তাক্লবা চিংলিবা লৈইদুগী মখাদা লৈবা মী। অদুগুম্বা মী অদুনা কৈদৌঙৈ ময়ূম শাবা ঙমগনি। মখোয়গীদমক্তি য়ূম অদু নত্তে মরুওইরিবা, নোংমগী মপূক থনবা চরা অদুনি। অসিগুম্বা চৈথেং অদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনরকপদুগী মহয়নি - অর্বান মাইগ্রেসন (খুঙ্গংদগী সহর তম্লকপা) অমদি ক্রোস-ষ্টেট-বোর্দর-লেবর-মাইগ্রেসন (ষ্টেট অমদগী অমদা থবক থিবা চৎপা)। কুমজা ২০১৬-১৭কী ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট মতুং ইন্না, চহী অমদা চাংচত্তা ষ্টেট অমদগী অমদা থবক থিবা চৎলিবা মীগী মশীংসি চাউরাক্না লাক্ষ মরিফুতরামুক্নি। মণিপুর কৌবা, ইন্দষ্ট্রি মচা অমত্তসু লৈতবা, শুফম নোমফম লৈত্রে হায়দুনা লাইরিক হৈরবা লমদমসিগী মশীং থীঙমদ্রবা য়েলহৌমীশিংনা মীরম’-সহর পাংনখ্রবা লমসিদা, বিহার-য়ু পি-বঙ্গাল-অসামদগী মশীং থীঙমদ্রবা শিন্মী ময়াম অমসু থোমজিন্নরক্লি। অসুম্না থোমজিন্নরকপা থবক শুবা শিন্মীশিং অসিনা অর্বান এরিয়াদা লৈননবা য়ূম লৈতবগী সমস্যা অসি হেনগৎহনবদা তেংবাঙই। অতৈ ইন্দিয়ন সিটিশিংগী ৱাখল অদু থাদোকপীয়ু, ইম্ফাল সহর ময়োনসিদা লৈরম্বা চহী ৩০গী মমাঙগী মীয়াম (ইমুং মনুং) অদুগা, ঙসি লৈরিবা মীয়াম অসিগা অমুক্তং চাংদম্নদুনা য়েংলুসি। চপ-চাবা ষ্টেটিষ্টিকেল দেটা লৌদ্রবসু, চাউরাকপা ষ্টদি অমা তৌবদা ইরায় লায়না খঙগনি - কদায়দগী কয়াম হোংলকপা? কাগী ভারা (রেন্ট) পীরগা কদায়দা কয়াম লৈরিবা ? য়ূম শাফম লমদুগী পাক চাউবদি হেনগত্তবা, লমদুদা লৈরিবা মীগী মশীং অদুদি থিংবা ঙমদনা হেনগৎলকপা মসিনসু, য়ূমলৈ-কৈরৈ ফৎচিল্লক্তবা, য়ূম লৈতবা মী হেনগৎলক্লবগী অচৌবা মরম অমনি। লৈননবা য়ূম-কৈ শাদুনা পাকথোক চাউথোকহনবা হায়বসি নাক-য়েৎ, মাঙ-তুংদা শন্দোক্লকপা (হোরাইজোন্টেল এক্সপান্সন) নত্তবা, ভর্টিকেল এক্সপান্সন, মথক নৎত্রগা মখাদা লৈননবা য়ূম শাগৎপা হায়বদুদি ইন্দিয়ন-প্লান্নরশিংগী কোক্তুদা চঙলক্ত্রিবা আইদিয়া অমনি। জপানগী হাউসিং-সোল্যুদ-ভর্টিকেল এক্সপান্সন’না ওইগনি হায়বসি অনীশুবা লান মমাঙদগী জপানিজশিংদা পোক্লকখ্রবা ৱাখলনি। মদোম মরোমদোম লেপচবা লৈপাক অমা ওইরকপা চহী ৭০ হৌখ্রবসু, ইন্দিয়াগী সোসল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি লায়রবা কোকহনবা অমদি মীপূম খুদিংমককী লৈননবা য়ূম লৈহনবা (হাউসিং ফোর ওল) হায়বসিগী ৱাংমা লান্না পায়খৎঙমদ্রি। অদুসু, য়ূম শাবীবা নত্তবা, শেন্থং খরা পীবা! অদুবু, মদুনা সোল্যুসন নত্তে হায়বদি পূম্নমক্না খঙই।

# স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গীদমক কন্না শেম শারিবা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল

**সোরোক নোরেন**

**অনৌবা** চহীনা লাকপদা অনৌবা আশাগা লোয়ননা থাংলিবা খোঙথাং খুদিংমক মায় পাকপা ওইবিয়ু। ৱাহৈ খরসিনা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল ওইনা থমজরি নুংশিরবা ইরৈবাকচাশিংগী মফমদা। অরিবনা চৎখিনি, অনৌবা অমুক লাক্কনি। অনৌবসু শারেপ ফারবকান্দা অরিবা অমুক ওইরক্কনি। লেপ্পা লৈতবা তাইবঙ খোঙচৎতা অরি অনৌগী খেন্নববু কদাইদনো। ঙরাংগী য়ূমশকৈশা, ঙসিনা শগোলশেল হায়রিবসিবু করিনো। পূম্নমক তাইবঙ লিলানি মপূ মাগী খূৎশেমনি। চৎতবা য়াদ্রি, লেপ্তুনা লৈথোকপা য়াদবা তাইবঙ মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎনা য়ৌরুরি কুম্বীগী পীক্লিবা সহরদুদা।

কুম্বী টাউন ইম্ফালদগী মোইরাং লম্বীদা কিলোমিটর ৫৪ চৎলগা খুগা তুরেল মপান্দা লৈবা তরু-তনানবা টাউন অমনি। পীক্লবসু মণিপুরগী অর্বান লোকেল বোদি ২৭ লৈবগী মনুংদা য়াম্না মতিং লৈবা টাউন অমা ওইনা মীশিং ৯৫৪৬ লৈদুনা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল কৌরি। কুম্বী টাউনবু মতম লৈবা খিবিক্তা ঙাক শেনবীদুনা অফবা মায়কৈদা পুবিরিবা ইবুধৌ লাই সনথোঙ খোঙবু মঙানি। ইবুধৌগী থৌজালদগী ঙসিদি কাউন্সিল পূম্নমক্কী মমাঙ থানা থৌদাং পাঙথোকপা ঙমজরি। মসিমক্নি হন্দক্কী কৈবুল সঙাই ফেষ্টিবেলদা অচৌবা থৌদাং কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা লৌখিবা। পীক্লবসু কুম্বী ম্যুনিসিপাল ৱার্দ ৯না পনখৈ ঙাক্তুনা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎলি। লিশাং শিৎনা সঙাই ফেষ্টিবেল হাপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লবসু হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক্না সঙাইগী লৈফম কৈবুল লমজাউদা কর্টেন রাইজর পাঙথোকখি। থৌরম অসি পাঙথোকত্রিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মাহুদ দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ইম্ফালদগী কৈবুল লমজাউ ফাওবা লূবা-নানবগী অথোয় অহেন চাংদম্নখি। হায়রিবা অথোয় অহেনগী চাংদম্নবদা কাউন্সিল ৬না শরুক য়াখি। অকক্ল বা মফম পীদুনা লূ-নানবগী চাংদম্নবা অদুদা য়াওখিবা কাউন্সিলশিং অদুদি নম্বোল, ওইনাম, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং, মোইরাং অমসুং কুম্বীনি। হায়রিবা কাউন্সিল তরুকসিগী মনুংদা ইম্ফাল কৈবুল মিসন হায়না থোনবা লূ-নানবগী চাংদম্নবদা অহানবা মনা ফংখিবা অদুগুম্লবা কাউন্সিল অমনি কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ২৯, ২০১৭ ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্তরদা য়াম্না চীং লেল্লবা থৌরম অমদা মনা অসি ওনরেবল মাহুদ মিনিষ্টর থোকচোম শ্যামকুমারনা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন এন ইবেচা, ভাইস চ্যেরপার্সন দল্লিয়ু সী বোবিচান্দ লুৱাং অমদি কাউন্সিল অসিগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর এম নাওবীগী মখূৎতা খূৎশিন্নখি। অহিং নুংথিল খঙদনা কৈবুল মায়কৈবু সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা লাক্লিবা মীয়ামদা তরু তনানবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনবদা ৱাখিবা পূম্বা মনা অদু ফংবা মীকুপ্তা শোয়দনা কাউরমগনি। শুপ্নগী কেশ প্রাইজ ওইনা অহানবা মনা অসিদা লুপা লিশীং মরিফুখক য়াওজরবসু হোৎনবগী মমলবু মশক খঙবিবা ওইনা মিনিষ্টর মাহুদনা খূৎশিন্নবদুনা হেন্না পেঞ্জনা উখি। অদুনা হোৎনবা কনবা, লিংজেল মান্নবা কাউন্সিল অমা ওইরিবা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা নোংমগী ওইবা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গীদমক মীচম মীয়ামগী মতেং ফংনবা পাঙথোকখিবা থৌরম নুমিৎনি দিসেম্বর ৩০, ২০১৭। মফমনা কুম্বী বজারগী অনানবা মতায় অমদা মীয়াম্বু শাক্তি ওইহনখিবদো। নুমিৎ অদো কুম্বী বজার বন্দ তৌবগা চপ মান্নখি। মরমদি কুম্বী মায়কৈগী অফবা চাওখৎপা থৌরাংগীদমকনি হায়বদা থোরক্লিবা মীয়াম্না মপূং ফাবা মীফম ওইহনখিবদগী। অশেংবনি নুমিৎ অদুদা তিনখিবা মীয়াম অদু কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লৈজরিবা মীশিং ৯৫৪৬কী মনুংদা শরুক অহুম থোকপগী মনুংদা অনীরোমদি ওইগনি খল্লি।

মসিমক্তনা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা পাঙথোক্লিবা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী য়াম্না মরুওইখ্রবা মীফম অসে অচৌবা মায় পাকপনি লৌবা য়াই। মীফম অসিগীদমক অথোইবা মীথুংলেনগী ফমফম কলহনখিবা এন গীতকুমার, দিরেক্টর মাহুদ প্রসিদেন্ট ওইনা লেঙশিনবীখিবা কাউন্সিলরশিং লোয়ননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা মিসন অসিগী রিছোর্স পার্সন ওইবিরিবা এন জি উতম, জোইন্ট দিরেক্টর মাহুদ, ৱারেং অসিবু পাউদমজরিবা অইবা মশা লোয়ননা এন জি ও মরক্তা মাঙজিল থারিবা পিপলস দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর বিরমঙ্গোলনি। স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ চৎলিবা চহীসিগী তাং ৪, ২০১৮ জান্যুৱারী থাসিদগী চথুবা হৌগদৌরিবা অসিগীদমক অকনবা মওংদা কাউন্সিল খুদিংমকপু মতেং পাঙনবা হোৎনরিবা দিরেক্টর মাহুদনা নুমিৎসিমক্তদা চিনখিবা থৌদাংগী মনুংদা কুম্বীগী থৌরমসু অমনি। নুমিৎ অসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগীসু মিসন অসিগীদমক মায় পাক্লবা পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইনা নম্বুল তুরেল শেংদোকপদা শরুক য়াখি। মথংদা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী অসিগুম্বা থৌরম অমদসু মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনখি। ক্বাক্তাগী থৌরম লোইবদা ঙাইদুনা লৈরিবা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল। অরোইবদা ঙসিগী কুম্বীগী স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী অথোইবা মীথুংলেনগী ফম্ফম কল্লিবনি। অসুম্না য়াম্না মরুওইবা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ অসি শুপ্নগী তরু তনান্না লৈনবা হোৎনবদা করি করি মচং ওইবা তৌদবা য়াদবা থৌদাংশিং অদু শন্দোক্না তাক্তুনা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পাম্বৈনি নোংমগী ওইবা মীটিন কয়া পাঙথোক্লরিবা। কাউন্সিল পূম্নমক্না মানা মানা ঙম্বা থাক্তা পাঙথোক্তুনা মাঙজিল থানবা হোৎনরিবা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী পাউদম কয়া কলম অসিদা কয়ারক থমজখ্রে। অদুবু হায়রিবা মীসন অসিগী অরোইবা পান্দম অদু নকশিল্লকপনা মরম ওইরগা খ্বাইদগী চীনবা তাঞ্জা ওইনরিবা কাউন্সিল খুদিংমক্কী শরুক অমনি ঙসি কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী দিসেম্বরগী তাং ৩০, ২০১৭।




তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীবিরিবা কাউন্সিল অসিগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর এস ইনাওবীনা লমদম অসিগী মীয়াম্না ঙসিগী স্বাছ সরবেক্সনগী থৌদাংদা সিটিজন ফিদবেক্কী থৌদাং চাউনা লৌবিনবা তৌখিবা আপিল মীয়াম্না পেন্নখি। মীয়ামগী মায়কৈদগীসু কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা পায়খৎলকপা থৌরম কয়াদা অঙম্বা মতেং পীগনি হায়না অকনবা ৱারেপ লৌখি। মীয়াম্না তৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা দিরেক্টর মাহুদ এন গীতকুমারনা শন্দোক্না হায়বিখিবা কয়া, হান্না ৱাখল তারমদবা কয়া তাহনবদা মতেং পাঙবিখিবা দিরেক্টর মাহুদপু মীয়াম্না থাগৎনখি। গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা জোইন্ট দিরেক্টর এন জি উতম্না পুং অমা খরা হেন্না মীয়ামদা স্বাছ সরবেক্সনগী মরীক চুম্বা পাউদম থম্বীখিবা পূম্নমক্না পেন্নখি। ঙসিগী নোংমগী মীফম অসিনা কুম্বী মীয়ামদা অচৌবা মতেং ওইরে হায়না সেনিয়র সিটিজন মরক্তগী থাগৎনরকখিবা খোল্লাউনা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিল্লুবা নোংমগী এৱ্যার্নেস প্রোগ্রাম মহয় য়াল্লে খন্নখি। অদুবু নুমিৎতুমক্তনা পেন্নরগা লোইশিনবা য়াদবা কয়াৎ কয়ামরুমগী মতাংদা ওপন দিফিকেসন ফ্রীসু অমা ওইরি । ওপন দিফিকেসন ফ্রীগী মপূং ওইবা পান্দম কাউন্সিল অদুনা কোনবা লম অদুগী মনুংদা লমহাং তুহাংদা অমাংববু চোইথোক্তবা, মফম চানা, মফম খঙনা শীজিন্নবা ঙম্লবতদা ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন ওইরে হায়দুনা লাউথোক্কদৌরিবনি। অদুগুম্বা ওপন দিফিকেসন ফ্রীগী সার্টিফিকেট ফংলবা কাউন্সিল অদুদি স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী চাংদম্নবদা পুরিবা মার্ক ৪০০০গী মনুংদা অপূনবা মার্ক ১১০ খক ফংবগী খুদোংচাবা লৈ। ঙসি স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী চাংদম্নবা অসি অপূনবা মার্ক ৪০০০নি। মমাঙদসু কয়ারক পনজখ্রে ঙসিসু তেল্লপ্না খরদং থমজরি। মার্ক ৪০০০ লৈরিবা চাংদম্নবা অসি শরুক অহুম থোক্না খায়দোকই। অহানবদা সার্ভিস লেভেল প্রোগ্রেসতা মার্ক ১৪০০। অনীশুবদা সিটিজন ফিদবেক মার্ক ১৪০০। অরোইবগী অহুমশুবসিনা দাইরেক্ট ওবজার্ভেসন মার্ক ১২০০নি।

অহানবগী সার্ভিস লেভেল প্রোগ্রেসকী মার্ক ১৪০০গী মনুংদা মার্ক ৪২০ ওইরিবা ও দি এফকী মতাংদনি অইবা ইশানা মীয়ামদা থমজখিবা পাউদম। ও দি এফকী কাউন্সিল মশানা ও দি এফ ওইরে হায়না নোটিফিকেন থোকপখক্তংদা মার্ক ৫৫ ফংগনি। হৌখিবা দিসেম্বর ১৫, ২০১৭তা ও দি এফ ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি কনাগুম্বা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ থোকপা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা অইবা চেরোলনা মপূং ফাবা খুদম চাংদম পীদুনা লাউথোকপা য়ারোইদবগী মরম পীরনবা কৌখিবা নুমিৎ ফাওবদা কনামত্তনা অয়েৎপা পীরক্তবদগী ঙসিদি টাউন অসি সেল্ফ দিক্লার তৌবা ও দি এফ টাউন অমা ওইরে। মরম অদুনা ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী সার্টিফিকেট ফংদ্রবসু মশানা সেল্ফ দিক্লার তৌবদা ফংগদৌরিবা মার্ক ৫৫ অদুদি শোয়দনা কুম্বী টাউন্না ফংলনি। অসুম্না ৱাহং কয়া কয়াগী চপ চাবা মার্ক পুরগা অপূনবা মার্ক ৪০০০সিগী মনুংদা অথোয় অহেন তান্নবা হৌগদৌরিবা স্বাছ সরবেক্সন ঙসি তাং ৪, জান্যুৱারী ২০১৮দগী হৌনবা শেম শাবা পুমলোই লোইরে। মণিপুরগী ওইনা অহৌবা নুমিৎতা য়াওগদৌরিবা টাউনশিং অদুদি বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমদি চান্দেলনা ওইরি। অর্বানগী ওইনা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মরাইবক থার্দ পার্টি ওইনা লাক্কদৌরিবা টিমদুনা করি থম্নবা হায়বদুদি য়েংমিন্নবা তারি। অদুগা হীরম খুদিংদা মাংদা থানবা হোৎনরিবা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওইনদি ৱানা হোৎনবগী মহয় ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন ওইরে হায়খ্রবনিনা হৌজিক মার্ক ৫৫গী একাউন্ট হাংবা হৌখ্রে। ঐখোয়না খঙদবা অরোনবা কয়া অমসু কন্না হোৎনরমগনি নীংই। মদুগী খুদোংচাবা অদু ফংনবগীদমক্তনি ঙসি নোংমগী ওইবা মীয়াম য়াওবা অচৌবা মীটিং অমা শিল্লিবা।

অরোইবদা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী থোং মান্ননা চৎলিবা অমসুং অথোয় অহেন থমদনবা হোৎনরিবা ভাইস চ্যেরপার্সন দল্লিয়ু সী বোবিচান্দ লুৱাংগুম্বা কাউন্সিলর অমা লৈরিবা কাউন্সিলনা মায় পাকপা ওইবদদি থোইদোক্না লুরোইদ্রা খল্লি। হৌজিক তান্নরিবা লমজেলসি অহুম থোক্লি। মণিপুরগী য়ু এল বি ২৬কী মনুংদা অথোয় অহেন। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী মনুংদা অথোয় অহেন। অরোইবদা ইন্দিয়াগী সহর ৪০৪১গী মনুংদা অথোয় অহেন। মরম অদুনা তঙাইফদনা ঙসিগী খুদোংচাবা অসি লৌজরগা এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোন অমগী মতেংনা ‘স্বাছতা মোহুৱা’ হায়বা এপ অসিদং প্লে ষ্টোরদা চঙবীরগা দাউনলোদ তৌবিবদা, কাউন্সিল অদুনা কান্নজগদবদো মীওইবা অমা ওইনা মতেং পাঙবীনবা মণিপুরগী মীয়ামদা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল মরক্তা; স্বাছতা মোহুৱাবু দাউনলোদ তৌবিনবা নীংশিংজরি।